ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ইম্ফাল ইষ্টকী বামোন কম্পুদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন ইংলিস স্কুলদা পুবা থাংবা ঙমদবা শেলগী দিমান্দশিং তৌরকপগী মায়োক্তা মহৈশঙ অসিগী মহৈরোয়, ওজাশিং অমদি পেরেন্টশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবা

লৌফম লৈতেম মান্নহনবদা শীজিন্নগদবা উকায়- হৌরিবা ... লামায় ২

লামায় ৪ মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ

বাংলাদেশ, ম্যান্মা', মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া! লামায় ৫

লামায় ৬ পাট্টাদারশিংবু এনক্রোচরনি হায়রিবসি নত্তে হায়দুনা ...

বাংলাদেশি কয়ানা বেঙ্গলদা চংশিন্নবা হোৎনরকখিবা বি এস ... লামায় ৯

লামায় ১২ নিরজ চোপ্রানা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে

খোংজোম কৈথেলদা লৈবা সাউর্দন য়ুথ ইসেন্টিভ এসোসিএসননা শীন্দুনা খোংজোম সর্কলগী মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিংবু তেকচম গর্লস অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম পাঙথোকখিবা




Vol. 48, Issue No. 130 | নোংমাইজিং, থৱানগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, August 11, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


ওপোজিসন কোংগ্রেসকী এম এল এ ৫ ৱাৰ্ক আউট তৌখ্রে, মখা তাবা সেসন য়াওররোই ৱারেপ্লখ্রে

# মণিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্নবা পুখৎচবা ৱাফম তাবীদ্রবদি মীফম য়াওরুবগী করি মথৌ তারিবগে : ইবোবী

## অথৌবা ইপা-ইপুশিংনা ঙাকপীরম্বা মণিপুর কায়বা-তুম্বা তারে মীপাইবদগী প্রাইম মিনিষ্টর উনরগা ৱারোইশিন পুরক্নবা ৱারেপ লৌসি হায়বা প্রাইভেট মেম্বরস রিজোল্যুসন পুখৎপদা অয়াবা পীরক্ত্রে : এম এল এ, কে রঞ্জিৎ



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩১দগী চথরক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৬শুবা সেসনগী ঙরাং ৮নি চনবা নুমিৎতা ওপোজিসন কোংগ্রেস এম এল এ ৫না মণিপুরগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা খন্নসি হায়বা প্রাইভেট মেম্বরস রিজোল্যুসন অমা পুখৎলকপদা স্পিকরনা অয়াবা পীখিদবা অমসুং থা ১৫ হেল্লক্লবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌসি হায়বদসু তাবীদ্রে হায়রদুনা পেন্দ্রবা কোংগ্রেস এম এল এ ৫না হাউসতগী 'ৱাৰ্ক আউট' তৌখিবগা লোয়ননা ৱাৎহৌরিবা মীফমশিংসু বোইকোট তৌরে, শরুক য়াররোই হায়না পাউমীশিংদা লাউথোকখ্রে।

ঙরাংগী মীফমদা মহৌশাগুম্না ৱাহং পাউখুমগী মতম লোইরবা মতুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# মীতৈদা লান্দারকপা কুকি খূৎলায় পায়বা মশেল হাৎতোক্লরে

## ভি ভি সী সী ৩, য়ু কে এল এফ ১ শিরে, সোসোনগী য়ূম মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌদুনা অতম্মনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরক্লিবা কুকি খূৎলায় পায়বা মশেলগী মরক্তসু খূৎ থোক্লরক্তুনা নাকল অনীগী মীওই ৪ শিখিবগা লোয়ননা অশোক-অপন য়াওনখ্রে অমসুং খূৎ থোক্লখিবা য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু কে এল এফ) কী চ্যেরমেন লুনখোসোন হাওকিপ এলিয়জ সোসোন এলিয়স এস এস হাওকিপকী য়ূম অতোপ্পা খূৎপু অমনা মৈ থাদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোইগী মফম খরা অমসুং মোলনোমগী মফম খরদা থোকখিবনি।

ঙরাং অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা কুকিগী ভিলেজ ভোলন্টিয়র কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (ভি ভি সী সী) গী খূৎলায় পায়বশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী টি এস লাইজাং, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোই অমদি মোলনোমদা লৈবা য়ু কে এল এফকী কেম্পশিংদা পুংফম অমত্তদা থোমজিল্লকখিবনি। মসিদগী ভি ভি সী সীগা য়ু কে এল এফকগী মরক্তা নীংঙাই শংদানরক্লবা মতুং মোলনোই এরিয়াগী হৈপিজাং খুলদা লৈবা য়ু কে এল এফকী



য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন লুনখোসোন হাওকিপ এলিয়জ সোসোন হাওকিপকী য়ূম মৈ থাখিবা

কাদরশিংনা চঙজফম লৌদুনা লৈবা য়ূম অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবনি।

থৌদোক অসিদা ভি ভি সী সীগী খূৎলায় পায়বা ৩ লৈখিদে। য়ু কে এল এফকী মায়কৈদনা কাদর অমা শিরগা খরনা অশোক-অপন নংখিবনি। থৌদোক অসিদগী খোইশাওনরবা ভি ভি সী সীগী মীওইশিংনা থৌদোক থোকফমদগী কিলোমিটর ৩/৪ রোম লাপ্পনা লৈবা মোলনোম খুলদা লৈবা য়ু কে এল এফকী চ্যেরমেন লুনখোসোন হাওকিপ এলিয়জ সোসোন এলিয়জ এস এস হাওকিপকী য়ূম মৈনা তুম্না থাদোকখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপদগী হান্নসু নোংমৈ কাপ্পবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম পি এস সীনা নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা অশোয়বা অরানবগী মতাংদা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি কোর্টকী মতেং লৌরগনি : দেসাম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (এম পি এস সী) না লৌবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (প্রিলিমস)



এগজাম-২০২২দা পেপর টুদা ক্বেসন অনী চয়েৎনবা অমসুং অরানবা য়াওরে হায়না দেসামগী এদ্যুকেসন সেক্রেটরি রোমেস ওইনামচানা ঙসি নুংথিল দেসামগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

অশোয়বা অরানবা অসি ঙসিদগী নুমিৎ ৫নি ফাওবগী মনুংদা এম পি এস সীনা মসিগী মতাংদা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলক্ত্রবদি দেসামনা এগজাম অসিদা শরুক য়াখিবা এসপিরেন্টশিং অমসুং মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা লো কোর্টকী মতেং লৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, ক্বেসন অনী অসি চয়েৎনবনা মরম ওইরগা এগজাম অসিদা শরুক য়াখিবা এসপিরেন্টশিংদা ক্বেসন অসিগী অন্সর পীবদা নেগেটিভ মার্কিং লৈবনা মরম ওইরগা পাউখুম পীবদা অরুবা অমা ওইখি। এগজামিনেসন অসিগী ক্বেসন নম্বর ৩১দা হংলিবা ক্বেসন অসি কম্মন এদমিসন টেষ্ট (সী এ টি-১৯৯৬) তা চপ মান্ননা হংখি। হায়রিবা সী এ টি এগজাম-১৯৯৬তা ক্বেসন অসিগী অন্সর ওপসন বি হায়বদি এসাইল : দিফেন্দ ওই। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# নাপৎ ১সুং তাংজেংগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংনা হায় ঐখোয় য়ূমদা হঞ্জিলহন্দ্রবদি ফিরেপ ১ লৌরগনি, থোরকপশিংগী তেকচাক লৈঙাক্না পুগদবনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী এ সীগী নাপৎ অমদি তাংজেংগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না ঙসি শুগুনু কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা 'ঐখোয় রিলিফ কেম্পতা লৈবা ৱারে, অথুবা মতমদা ঐখোয়গী য়ূমদা হঞ্জিলহনবীয়ু, লৈঙাক্না অথুবদা য়ূমদা হঞ্জিন্নবা খোঙথাং পায়খৎপীদ্রবদি য়ূমদা হঞ্জিন্নবা ঐখোয় পূন্না ফিরেপ অমা লৌরগনি, মসিদা থোরকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্বা লৈঙাক্না পুগদবনি' হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে।



ৱাকৎ খোঙজং অসিগী মতাংদা অঙোমচান্বম ওংবী রিতা লৈমনা হায়, ঙসি অসুক কুইরবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপনি। মসিনা ঐখোয়গী ইশাগী ইরমদমদা রিফ্যুজি অমগুম লৈরকপসি ঐখোয় ৱারে। চহী হেনখ্রে। খাঙদুনা লৈবা ঙম্লক্ত্রে। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইরমদম নাপৎ খুলদা চঙদুনা হান্নগী পূন্সিদা হিংবা পাম্লে। লৈঙাক্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লেন্দ কম্পেন্সেসন পীদবগী মায়োক্তা এন ঐচ-৩৭ থিংজিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

এন ঐচ-৩৭তা নৌনা লম্বী পাকথোরকপদা শোকখিবা লন্নাই মীওইশিংগী লমগী পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মতম চানা পীবিরক্ত্রে হায়রদুনা লম শোকপদা য়াওখিবা মীওইশিংগী এফেক্টেদ লেন্দ ওর্নরস কম্মিটি, লোংসাইগী মীওইশিংনা হৌখিবা অহিং নোংয়াই চবুক্তগী হৌরদুনা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে।

খোঙজং অসি পীফম থোক্লিবা লেন্দ কম্পেন্সেসনগী শেনফমশিং পীদ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা চঙশিনগনি হায়রি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা ফংখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি মরু ওইনা নোনে পার্ট ৪, পার্ট ৫নচিংবদা লম্বীদা উ-ৱা ফৈজিনবা য়াওনা টায়রনচিংবা মৈ থাদুনা চঙশিনখি। খোঙজং অসিনা মরম ওইরদুনা অচৌবা গাড়ীশিং চৎনখিদ্রে হায়রি।

## প্রেসকী পোৎলমশিং মৈ থাখিবা মীওইশিং লৈঙাক্না থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা চৈরাক পীয়ু

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭তা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না প্রেসকী চে অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুরকখিবা ত্রক (এ এস-২৫/এফ সী-০৩৭৮) পু খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী গমনোম সপরমৈনা পি এসনা কোনবা মোটবুং অমদি সপরমৈনা অনীগী মরক্তা লৈবা হাইকেন কুকি খুলদা লৈবা কোর্টুগী গেট ময়াদা খামদুনা প্রেসকী ন্যুজপ্রিন্ট অমদি পোৎলমশিং মৈ থাদোকখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়না ওল নাগা ত্রেদরস এসোসিএসন, মণিপুর (এ এন টি এ এম) গী



ৱাঙাঙলোই জুরিস অবোনমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মণিপুর লৈঙাক্না থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফারগা এক্সন লৌখৎপীয়ু। অসিগুম্বা মীওইবগী লীচৎকী ৱাংমদা চথরকপা থৌদোক অসি থোক্তনবা মীয়ামগা হোৎনমিন্নসি। মৈ থাখ্রিবা পোৎলমশিং অদু মীতৈ ঙাক্তগী নত্তে, নাগাশিংগীসু য়াওরি। প্রেসকী পোৎলমশিং মৈ থাখিবা থৌদোক অসি লাইবক থীবনি। মালেমসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## হাউস কম্মিটি : মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা খঙদে অমসুং মেম্বর ওইবদা অয়াবা পীখিদে হায়রক্লব্রা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

চথরক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা মণিপুরদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা অমসুং অনৌবা খুল কয়া মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা হেনগৎহল্লকপা থিজিন্নবগীদমক শেমখিবা হাউস কম্মিটিদা মেম্বর ওইনা হাপখিবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা কম্মিটি অসিগী মতাংদা মহাক করিমত্তা খঙদে অমসুং মহাক্কী মায়কৈদগী অয়াবা পীখিদে হায়না শেংদোরকপা ৱারোল অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রে। চেরোল অদুদা মহাক য়াওনা কুকি এম এল এ ১০না মীফম অসিদা শরুক য়াদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখিবনা মহাক্কী ৱাফম অসি অচুম্বা ওইগদৌরিব্রা হায়না হংনরক্লি।

## পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৭কী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদা গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না পাউচে নম্বদা শীজিন্নবা চে অমদি অতৈ পোৎলমশিং পুরকপা ত্রক অমা খূৎলায় পায়বশিংনা কাঙপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হায়কেন কুকি খুল মনাক্তা গাড়ী অদুবু নমদুনা থৌজিলহল্লগা চে য়াওনা প্রেসকী পোৎলমশিং মৈ থাদোকখিবা থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রেস ক্লবতা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৭কী এসেমব্লি মীফমগী জিরো অৱারগী মতমদা বি জে পি লৈঙাক শৌগৎলিবা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ নিসিকান্ত সাপমনা থৌদোক অসিগী মতাংদা হাউসতা ফোঙদোক্লদুনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎহন্নবা পুক্নিং চিংশিনখ্রবনি।

## 'টিরঙ্গ কন্সর্টস' পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

অজাদি কা অমৃট মহোটসবগী মীৎয়েং মখাদা লৈঙাক্কী আর্টস এন্দ কলচর লোয়শঙনা শীন্দুনা হর ঘর টিরঙ্গ কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিদা টিরঙ্গ কন্সর্টস পাঙথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা শরুক য়াখিবা থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী আর্টিষ্টশিংনা পুঙ চোলোম উৎখি। অদুগা শ্রীশ্রী বাল মুকুন্দদেব ম্যুজিক কোলেজগী আর্টিষ্টশিংনা মমা লৈবাক নীংবা ঈশৈ শকখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজনা টিরঙ্গ এন্থেমদা য়ূম্ফম ওইদুনা পুথোকপা দান্স কোরিওগ্রাফ অমসু উৎখি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনা দি জি পিদা থা অসিগী ১৫দা নহারোলশিংবু পাক্তক্না শরুক য়াহন্দুনা মাস মোটোর বাইক রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা খঙহনখি।

## মীয়াম খঙনা শেংদোক্তবদি লিগেল এক্সন লৌগনি : কবুই য়ুনিয়ন

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** ঙরাং লম্ফেলদা লৈবা তাম্থাপোলিস হোলদা পাঙথোকখিবা কম্মিটি ওফ য়েলহৌমী ফুরুপ্পা শীনবা ৱর্ল্ডস ইন্দিজিনস পিপলস দেগী থৌরমদা কবুই ফুরুপ্পু নাগানি হায়না হাপচিনখিবা থৌওং অদুনা মীয়ামদা কবুইবু লান্না উহল্লে। কবুই হায়বা ফুরুপ অসি কবুই ওইনা হিংজবা, মশাগী নাৎ লাইনীং-লাইশোন লৈজবা অরিবা ফুরুপনি। কনাগুম্বা নোমেনক্লেচর অমত্তদা য়াওদবা কবুইনি। কবুইবু নাগানি হায়না পুথোক্লিবা থৌরম অদুগী কনভিনর অচুং ফাওমৈ অমদি সেক্রেটরি আর কে বিজয়ালক্সমিনা থা অসিগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা মীয়াম খঙনা শেংদোক্কদবনি নৎত্রবদি লিগেল এক্সন লৌগনি হায়রি।

ৱাফম অসি কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর (মহাবলি কবুই) খুলগী ভাইস প্রসিদেন্ট কাম্মৈ রাজেন কবুইনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি।

## কুকি লমহেন-তুহেনবশিংগী থৌওং হকচিন্না য়ানীংদে : ইবুধৌ থাংজিং পানা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী নুংথিল পোবোব পুং ২.১০ রোম তারকপদা কুকি লালহৌবশিংনা তোর্বুং অমদি ফৌগাকচাও ইখাই অনীগী মনীং থংবা অমদি মখা থংবা এস কোটলেন্দ খুগা মপান্দগী মীতৈ খুল্লক্তা বোম য়াওনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখিবা থৌওং অদু ৯-এ আরনা কোনবা মফমদগী চথরকখিবনি হায়না ইবুধৌ থাংজিং পানাগী কনভিনরনা থোরকপা চেরোল অমনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্টর্ন ইংলিস স্কুলনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী মোইরাং কম্পুদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন ইংলিস স্কুলদা পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দ কয়া লাকপদগী স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি পেরেন্টশিংনা খুরাই নিংথৌপুঙ লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা মহৈ তম্ফমদা ঈংনা চিক্না মহৈ তম্বা ফংহনবীয়ু, তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেলগী মতেং হায়বীগনু, মহৈ তম্বদা অয়েৎপা পীবীগনু, ঐখোয় ঈংনা চিক্না মহৈ তমজগে হায়বা ৱারোলশিং ইবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# কুকিশিংনা ইনাওনুপাবু মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী মৈশা মরক্তা মহাক্না থল্লম্বা অঙাং ২ য়েংশিনবগা, ইকুবোক-ইনেম্বোক্কী অনাবা হোৎনবগদা ৱানা লেল্লি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

তোর্বুং বাংলাদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

লান অসিনা মরম ওইরদুনা তোর্বুং বাংলাদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবী থোঙাম চাউবনা পাউচে অসিদা হায়, লান হৌরকখিবা মে ৩, ২০২৩গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপা অদুৱাইদা কুকিশিংনা পিছ রেল্লি চৎলুরগা হল্লক্লবা মতুংদা লম্বী সরক্তা লাউ খোংবগী খোঞ্জেল ময়াম তাবদা ঐখোয়সু অকিবা ফাওবদগী য়োল্লুবা এঞ্জাং-নাপি, ঙা-চাকশিং অদু লোইশিল্লগা য়ূমদা হল্লকখিবনি।

য়ূম য়ৌরবা মতুং লম্বীদা থোক্তুনা খোন্দাদা ঙাঙ-শল্লকখি। হৌরক্লিবা ঈরাং অদুগী ফীভম করম তৌরি হায়না ফাওবা য়েংবা ফংদনা ইমুংদা য়াম্না কিনা লৈখি। অদুগা য়াচংলকপা হৌরকপা নুংথিলগী পুং ৫ রোম তারকপা অদুৱাইদদি কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূম-কৈশিং মৈ থাবা হৌরকখি। মতমদুদগী ঐখোয় মায়কৈ খঙদনা চেনবা হৌখি। খোঙনা চেন্দুনা সাইতোন লোমদা ঐখোয়গা পূন্না লৈমিন্নবা মীতৈশিংগা থৱায়দদি হিংহৌরগা লোইরে হায়বগী মতাগুম চেন্নখি।



কুকিশিংনা লাউ-খোংলিবা ময়ামদু য়েংলুই। ঐখোয় উবদা মখোয়না থোক্লক্কনু, মসিদা করি য়েংনীংঙাই লৈ হায়দুনা অথীবা য়োকপা ঙম্নবা হোৎনজরকখিবনি। অদুবু লান অসিগী মনুংদা ইশাগী য়ূম মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা ঙসি ফাওবা ফুবালা জুনিয়র হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লি হায়রি।

ঐহাক ইচানুপা ২, নুপী ১ পূন্না অঙাং ৩ লৈরে। ইপুরোইবগী মিংনা থোঙাম দেবান কৌই, চহী ৪৫ রোম শুরে। ইপুরোইবনা আই আর বিদা লৈরগা ঐহাক্না তোর্বুং বাংলা কৈথেলদা এঞ্জাং-নাপি, ঙা-চাকনচিংবা য়োন্দুনা য়ূম পুবদা নত্তনা ইচাশিং মী ওইনবা মে ৭, ২০২৩দগী সেন্দ্রা লম্বীদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা মতম খরা লৈরম্লবা মতুং হৌজিক লৈরিবা রিলিফ কেম্প অসিদা লাকখিবনি। চৈরকসিদা, ঐহাক্কী ইনাওনুপা (ইপুরোইবগা হেক পোকমিন্নবা) সু য়ূমদা কুকিশিংনা মৈ থাদোক্তবা ফৌ লৈহৌই হায়দুনা লৌথোকপা চঙলুবদা কুকিশিংনা মে ১১, ২০২৩দা থোঙাম শ্যাম (৩২) কৌবা মীওই অমগা পূন্না হাৎতোকপীখিবনি। লৈখিদ্রবা ইনাওনুপাগী পীক্লিবা মচা অনী থল্লল্লি। (মথং-মথং)

## নুপী ১না বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা ডা. মোইরাংথেম ধনবির (৪৪) অপোকপা এম তোম্বগী গেটকী অৱাং থংবা শরুক্তা নুপী অমনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনখিবা মীওই চহী ১০গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :**

হৌখিবা মে ৪, ২০২০দা চেল্লবনি হায়দুনা নুপী অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা ৱাকৎতগী বিষ্ণুপুরগী ৱিমেন পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা চথরকখিবা ৱায়েলদা থা অসিগী ৮দা মরাল লৈরে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদা অকনবা লানফম ওইরুরবা মতুংদা ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অদুগা কাংচুপ পি এসনা কোনবা বেথেল কুকি খুলগী চীংগী নাকল অমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৬ লোম কাপশিল্লকখ্রে হায়রি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপগী মখোল অসি থংননা লৈরিবা কৌত্রুক খুলগী খুঞ্জাশিংনা য়াম্না হৌনা তাখি হায়রি। খুল অসি তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা ওইরবসু খুল ঙাক্লিবা মীওইশিংগী মায়কৈদগী নোংমৈ মরূ অমত্তা হন্দুনা কাপখিদে। মরম অসিনা কুকি টেররিষ্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরূশিংনা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদবতা নত্তনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পখিদবনা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওখিদে হায়রি।

## ওগষ্ট ১৫দা পুং ১৭কী জেনরেল ষ্ট্রাইক থল্লে : এন আর এফ এম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ :** মণিপুর পূম্বদা থা অসিগী ১৪গী নোংয়াইদগীনা থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা পুং ১৭কী জেনরেল ষ্ট্রাইক থল্লে হায়না নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট, মণিপুর (এন আর এফ এম) গী সেন্ত্রেল হেদ কার্টরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫